# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগা ৱারী শানখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগা য়াম্না তাঙনা পাঙথোকপা ভর্চ্যুএলগী খুথাংদা ৱারী শাদুনা শান্নরোয়শিংগী অৱা-নুংঙাই অমদি মহাক্কী মায়কৈদগী পূক্নিং থৌগৎপগী ৱাহৈ কয়া ফোঙদোকপা ঙমখ্রে।

ভর্চ্যুএল ওইনা ৱারী শানখিবা অদুদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ১৩৫গী থৌনী অদু শান্নরোয়শিং অদুদা লৈরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়না টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা অনৌবা ইন্দিয়া অমা ওইবগী মমি তাহন্নবা হোৎনরগনি হায়খি।

শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী মখোয়না টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা শেম শাবদা অৱাৎপা লৈরিবা অমদি হেন্না ফংলম্বা য়াবা খূদোংচাবশিং অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়াথমখি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবদা মখোয়দা পীরিবা খূদোংচাবশিং অসি য়েংলুরগদি অৱাৎপশিং অদু কাউথোকপা ঙম্মী হায়না ফোঙদোরকখি।

ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টোকিও ওলিম্পক্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নবগী পুৱারীদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা শান্নরোয় ১২০গা ৱারী শানবা অদুগী মনুংদা শান্নরোয় মশীং খরখক্তমক শরুক য়াবা ঙমখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইরকপা ঙম্বা অসি য়াম্না চাওনা থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ভর্চ্যুএল ওইনা ৱারী শানখিবা অদুগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক টিমগী ফ্লেগ পায়গদৌরিবী বোক্সিংগী এম সী মেরি কোম, হোক্কীগী নুপাগী কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহ, আর্চরিগী দিপিকা কুমারী, জেবলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা, বেদমিন্টনগী পি ভি সিন্ধু, রেষ্টলিংগী ভিনেশ ফোগট, টেবল টেন্নিস মশান্নগী শরাথ কমল অমদি মনিকা বট্রা, শুটিংগী নহা ওইরিবা সৌরভ চৌধরি অমসুং ইলাভেনিল বলারিবন, এথলেটিক্সকী ওইনা চাওনা মেদলগী পানরিবা দুটি চান্দ, স্বিমিংগীদা সাজন প্রকাশ লোয়ননা বোক্সিংগী অসিশ কুমার য়াওনা টেন্নিসকীদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবী সানিয়া মির্জাগা ভর্চ্যুএল ওইনা ৱারী শানবা ঙমখি। ৱারী শানবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা, শান্নরোয়শিং অদুদা টোকিওদা মায় পাক্নবা য়াইফ থৌনীখি।

# সাইখোম মিরাবাইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটিংগী মেদল ফংননবা কন্না হোৎনরি




ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১২০গী মনুংদা ৱেথলিফটিংগী কেটগোরিদা অমত্তা ঙাইরবা মীহুৎ ওইরিবা সাইখোম মিরাবাই চনুনা ইন্দিয়াগী মশীং য়াম্লবা শান্নববু পামজবা মীয়ামগীদমক্তা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা মেদল ফংনবগীদমক্তা কন্না হোৎনরি।

মিরাবাই চনুনা কুমজা ২০০০দা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ৱেথলিফটর কর্নম মালেস্বরীনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অদুগী মতুং টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা অহেনবা থাক্তা মায় পাক্নবগীদমক্তা কন্না শেম শারি। মিরাবাইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা য়াম্না কন্না লম্বা তৌগদৌরিবী ৱেথলিফটর অদু চাইনাগী হৌ ঝিহুইনি। চাইনাগী লিফটর অদুনা মিরাবাইগা চপ মান্নবা কেটগোরিদা গোল্ড মেদল লৌগনি হায়না মীয়াম্না পানরি।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা চাইনাগী ৱেথলিফটর অদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৯গী থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতসু মকোক ওইবা ঙমখি। মিরাবাইনা ক্লিন এন্দ জর্কতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবসু মহাক্কী মায়কৈদগী স্নেটচতা শোত্থবা খরা লৈরিবা অদুগী মতাংদা অকনবা ট্রেনিং চত্থদুনা লাকখিবনি। করিগুম্বা মিরাবাইনা স্নেটচতা হান্না শোত্থখিবা পর্ফোর্মেন্সশিং অদু হেনগৎতুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা অহেনবা ৱেথ থাঙ্গৎপা ঙম্লবদি গোল্ড লৌবা য়াবগী অচৌবা খূদোংচাবা লৈরি। মহাক্না ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১১৯ থাঙ্গৎতুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি। অদুবু স্নেটচতা মহাক্কী মায়কৈদগী চাইনাগী শান্নরোয় অদুগা য়েংনরুবদা শোত্থবা খরা লৈবা মরম্না কেটগোরি অদুগী ওইনা গোল্ড মেদল লৌননবা হোৎনরকপদা অশোনবা লৈরিবনি।

মিরাবাইনা টাস্কেন্টকী এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা ক্লিন এন্দ জর্কতা চাইনাগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন হৌ ঝিহুইদগী কিলোগ্রাম অনী হেল্লগা কিলোগ্রাম ১১৯ থাঙ্গৎলগা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবনি। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগী স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৬খক থাঙ্গৎখিবা অদুনা কম্পিটিসন অদুদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌবনি। মিরাবাইগী ওইনা মশাগী করিয়রদা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৮ থাঙ্গৎপনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা ওইরিবনি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা হায়রিবা কিলোগ্রাম ৮৮ অসিদগী হেন্না থাঙ্গৎপা ঙম্লবদি চাইনাগী ৱেথলিফটর অদুবু মায়থীবা পীবা য়াবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা লৈরি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা মিরাবাই চনুগী ৱেথ কেটগোরি অদুদা মহাক মশামক স্নেটচতা মরিশুবা থাক্তা লৈরি।

পনবা য়াবদি, সাইখোম মিরাবাই চনু কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াখিবা অদুদা পর্ফোর্মেন্স ফজখিদবা অদুগী মখা তারকপা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎননবা অকনবা মওংদা শেম শারি। চহী খরগী মমাংদা শোকপদগী এক্সপর্ট ওইবা ফিজিওথেরাপিষ্টশিংগা তানরবা মতুং মশাগী ফীভম ফগৎলকপদগী টোকিওদা মেদলগী পানরিবনি।

# নিংথৌজম বিদ্যানন্দ এ টি কে মোহন বগান ফুটবোল ক্লবকা চহী ১গী খূৎয়েক পীনখ্রে




কোলকাটা, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাকৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা আই এস এল (ইন্দিয়ন সুপর লীগ) ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবা এ টি কে মোহন বগানদা মণিপুর মচা নিংথৌজম বিদ্যানন্দনা চহী ১গী ওইবা খূৎয়েক পীনখ্রে।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা নিংথৌজম বিদ্যানন্দনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হৌখিবা সিজনদা টাইটল লৌবা ঙমখিবা মুম্বাই সিটি এফ সীদা শান্নরম্বনি। অদুবু হায়রিবা ক্লব অদুদা মহাক মেম্বর অমা ওইরবসু পাঙথোকখিবা আই এস এলগী মেটচশিং অদুদা সবষ্টিট্যুট ওইনা লৈদুনা প্লে ফংদনা লাকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, নিংথৌজম বিদ্যানন্দ কুমজা ২০১৬তা এ টি কে এফ সী হায়না খঙনখিবা মতম অদুদা ক্লব অদুনা টাইটল লৌখিবা অদুদা মহাক শরুক য়াখি। মদুগী মতুংদা কুমজা ২০১৭তা বেঙ্গলুরু এফ সীদা লাক্তুনা ক্লব অদুগী অনীশুবা থাক্কী টিমদা শরুক য়াখি।

বিদ্যানন্দনা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মেম্বর অমা ওইনা এ এফ সী কপকী মেটচ অমদা শরুক য়াবা ঙমখি। লোয়ননা মহাক্না কুমজা ২০১৮-১৯গী ইন্দিয়ন সুপর লীগ সিজনদা বেঙ্গলুরু এফ সীগী সিনিয়র টিমদা শান্নবা ঙমখি। কুমজা ২০১৯-২০ সিজনদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয় অমা ওইনা নিংথৌজম বিদ্যানন্দনা মেটচ ১০ শান্নবদা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখিবা অদুদা নৎতনা টিম অদুনা মায় পাকপগী মেটচশিংদা বোল কয়া এসিষ্ট তৌবা ঙমখি। নিংথৌজম বিদ্যানন্দনা কুমজা ২০২০-২১গী ওইনা এ টি কে মোহন বগান ক্লবনা অনৌবা শান্নরোয়শিং খূৎয়েক পীনবদা মহাক থারগা ৭শুবা শান্নরোয় ওইরিবনি।

# বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০২৬ ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগনি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱারোলদা কুমজা ২০২৬তা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অদু ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগনি হায়খ্রে।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা, কুমজা ২০২৩দা বেদমিন্টন মশান্নগী ওইনা মালেমগী ওইবা খ্বাইদগী থাকৱাংবা মিক্স টিমগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা সুদিরমান কপ ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইগনি হায়না শেল্লম্বা অদু ফেদরেসন অসিনা চাইনাদা শিন্নখ্রবা মতুং কুমজা ২০২৬কী ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অদু ইন্দিয়াদা যূম্বু ওইননবা ৱারেপ লৌখিবনি।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা চাইনানা চহী অসিদা লৈবাক অদুগী সিটি সুঝৌদা পাঙথোক্কদবা সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদু কোভিদ-১৯গী ওইবা চৈথেংনা মরম ওইরগা ফিনলেন্দগী সিটি ভন্টাদা হোংদোকখিবনি। মরম অদুনা ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা, চাইনাগী সিটি সুঝৌদা ৱর্ল্ড মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপ ওইরিবা সুদিরমান কপ অদু ইন্দিয়ানা ২০২৩দা যূম্বু ওইগনি হায়না তৌরম্বা অদু হোংদোক্লগা মফম অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোলদা কুমজা ২০২৩দা সুদিরমান কপ ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা অদু চাইনাগী সুঝৌদা হোংদোকখ্রবা মতুংদা মশান্না অসিগী খ্বাইদগী থাকৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অদুগী মপূ কুমজা ২০২৬তা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইননবা ফোঙদোরকপনি। পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসি কুমজা ২০০৯দা হায়দরবাদ সিটিদা অহানবা ওইনা যূম্বু ওইখ্রবা মতুং কুমজা ২০২৬তা অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরি।

# দিপক খাৱ্রানা ইন্দিয়াগী অহানবা ওফিসল ওইনা টোকিও ওলিম্পিক্সতা জিম্নাষ্টিক্সকী জজ ওইরগনি



ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): থা অসিগী ২৩দগী ওগষ্ট ৮-ফাওবা জপানগী কোনুং টোকিওনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নবগী পুৱারীদা জিম্নাষ্টিক্সকী ওইনা দিপক খাৱ্রানা জজ অমা ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

দিপক খাৱ্রানা টোকিও ওলিম্পিক গেমস জিম্নাষ্টিক্সকী আর্টিষ্টিক ইভেন্টশিংগী জজ অমা ওইনা থৌদাং লৌগদৌরিবনি। মহাক্না থৌদাং অসি ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা জিম্নাষ্টিক্সকী ওফিসল ওইনা লৌগদৌরিবনি।

দিপক খাৱ্রা চহী ২গী মমাংদা এসিয়ন জিম্নাষ্টিক্স য়ুনিয়নগী টেক্নিকেল কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইনা খনখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৯গী এসিয়ন জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপতা মহাক সুপরিয়র জ্যুরি ওইনা থৌপুখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা প্রনাটি নায়কনা আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্স ইভেন্টতা লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইরবা এথলিট অমা ওইনা শরুক য়াগদৌরি। মহাক কুমজা ২০১৯গী এসিয়ন জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপতা যুম্ফম ওইরগা ফংখিবা পোজিসন অদুনা কন্টিনেন্টেল কোটাদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

দিপক খাৱ্রানা জিম্নাষ্টিক্স দিসিপ্লিনদা জজ অমা ওইনা থৌদাং লৌগদৌরিবা অসিদা নৎতনা ইন্দিয়াগী ওইনা শুটিংদা নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইরিবা পাৱন সিংহসু অহানবা ইন্দিয়াগী শুটিংগী ওফিসল অমা ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরি।

# টোকিও গেমসকী কন্ট্রেক্টর মরি কোকেন শীজিন্নরম্বগী ফাখ্রে

টোকিও, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): থা অসিগী ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী কন্ট্রেক্টর ৪ কোকেন শীজিন্নরম্বগী মতাংদা পুলিসনা ফারে হায়না গেমস অসিগী ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মীওই মরি অদু নার্কোটিক্স এন্দ সাইকোট্রোপিক্স কন্ট্রোল লো থুগায়রম্বগী মতাংদা ফাবনি হায়রি। হায়রিবা মীওই মরি অসি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ইলেক্ট্রিসিটিগী টেম্পররি সপ্লাই তৌনবগীদমক্তা নেকখিবা ফর্ম অমগী ইমপ্লোয়িনি হায়রি।

টোকিও পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ফারবা মীওই মরি অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী মীওই অনী অমসুং বৃটেনগী মীওই অনীনি হায়রি। মখোয় মরিমক নার্কোটিক্স এন্দ সাইকোট্রোপিক্স লোগী ৱাংমদা কোকেন চারম্বা থেংনখিবনি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী মখোয় মরিনা থবক তৌরিবা কম্পেনি অদুদা অকনবা ৱার্নিং পীদুনা মখা তাবা অতোপ্পা ইমপ্লোয়ীশিং থৌদোক অদুগা মান্নবা অমত্তা তৌহন্দনবা ফোঙদোকখি।

জপানদা লৈরিবা দ্রগ লো অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা কা-হেন্না চেকশিনবা ওইরি। লোশিং অদুগী মনুংদা করিগুম্বা মীওই অমনা থিংখ্রবা দ্রগশিংগী মনুংদা অমা ওইরবসু য়ামদ্রবা শরুক্কী ওইবা চাংদা শীজিন্নরম্বা নৎত্রগা পায়বা থেংনরবদি অকনবা চৈরাক পীবগী চৎনবী অদু জপান লৈঙাক্কী লোনা হান্নদগী চত্থদুনা লাকপনি। হৌজিক-হৌজিক জপানগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপগী লাক্লিবা খোঙথাং অসিদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লৈরিবনি।

# স্পেনগী বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা লিওনেল মেসি থম্বা পাল্লি, অদুবু লৈবাক অদুগী লা লিগানা অয়াবা পীবা ঙল্লোইদৌরি

মাদ্রিদ, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): হন্দক্তা সাউথ অমেরিকাগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাকৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা অমোরিকাগী ফাইনেলদা ব্রাজিলবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা অর্জেন্টিনাগী কেপ্টেন লিওনেল মেসিবু স্পেনগী ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনানা থম্বা পাল্লি। অদুবু লৈবাক অদুগী ফুটবোল লীগকী খ্বাইদগী মকোক ওইরিবা লা লিগানা অয়াবা পীবা ঙল্লোইদৌরি।

মালেমগী খ্বাইদগী ফুটবোল শান্নরোয়গী মনা ৬লক ফংবা ঙমখ্রবা লিওনেল মেসিনা মহাক্কী করিয়রগী প্রোফেসনেল ফুটবোল শান্নবা হৌরকপা অদু স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা বর্সেলোনাদা হৌরকখিবনি। মহাক ক্লব অদুদা শান্নবা হৌরকপদগীনা চহী অসিগী জুন থা ফাওবা কন্ট্রেক্ট লৈদুনা মরক্তা অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব অমত্তদা ট্রান্সফর তৌবা নৎত্রগা শান্নবা লৈত্রি।




মেসিগী বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী কন্ট্রেক্ট অদু চহী অসিগী জুন থাদা লোইখিবা মরম্না মহাক হৌজিক-হৌজিক ফ্রী এজেন্ট অমা ওইনা লৈরি। বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী মেসিবু মখা তানা ক্লব অদুদা লৈহন্নবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লি। অদুবু স্পেনগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ ওইরিবা লা লিগাদি মেসিনা বর্সেলোনাদা মখা তানা শান্নবা য়াবগী খূদোংচাবা অদু পীবা ঙল্লোইদৌরি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা লিওনেল মেসিনা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবতা শান্নবা মতমদা ফংলিবা মহাক্কী শেনফম অদু জুন থাদা কন্ট্রেক্ট লোইখ্রবা মতুংদা নৌনা রেজিষ্টর তৌবা তারবদি মাংজৌননা য়াম্লবা শেনফম পুত্থদুনা লৈরিবা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা মহাকপু লৌশিনবা মতমদা পীগদৌরিবা শেনফম অদু লা লিগাগী ওইনা লৈরিবা কাঙলোনগী মতুংইন্না য়ারোইদবা তাঞ্জা অমা লৈরি হায়না ফুটবোলগী লম্‌দা অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোরক্লি।

বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ২৪০গী শেনফম অসি সিজন অমদা থম্বা ঙমদ্রবদি অতোপ্পা অনৌবা শান্নরোয়শিং লৌশিনবা মতমদা অহেনবা চাদিং তৌগদবা লৈবনা লা লিগাগী ওইনা থল্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং অদু য়ৌররোই হায়বগী ফীভম লাকপদগী মেসিবু বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা মখা তানা থম্বা পাল্লবসু লা লিগানা য়াবা ঙল্লোইদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, লিওনেল মেসিনা হৌখিবা চহী ৪দা বর্সেলোনাগা লৈনখিবা কন্ট্রেক্ট অদু য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৬৭৫ ওইখি। হায়রিবা শেনফম অদু ক্লব অদুনা সিজন অমদা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী তোলোপকা য়েংনরুবদা কা-হেন্না ৱাংবা মরম্না মেসিবু নৌনা ক্লব অদুনা লৌশিনবদা ক্লব অদুগী শোত্থরিবা শেনফমশিং অদু ফুগৎত্রবদি য়াবগী খূদোংচাবা অদু লৈতে হায়রকপনি।

# ইন্দিয়াগী মিথালি রাজ ৱান দে রেঙ্কিংদা অনীশুবা থাক্তা হন্তখ্রে

দুবাই, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী ওইবা ৱান দে ইন্টরনেসনলগী বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা হান্না মকোক্তা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মিথালি রাজ থাক অমা হন্তখ্রে।

আই সী সীনা নুপীগী ওইবা ৱান দে রেঙ্কিংগী বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিং লাউথোরকপদা ইন্দিয়গী কেপ্টেন মিথালি রাজপু ৱেষ্ট ইন্দিজকী কেপ্টেন ষ্টাফানি টেলরনা মহুৎ শিনখিবনি।


ৱেষ্ট ইন্দিজকী নুপীগী টিমগী কেপ্টেন ওইরিবী ষ্টাফানি টেলরনা পাকিস্তানগা শান্নবা ক্রিকেট সেরিজ দা য়াম্না ফজবা বেটিংগী পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিবা লোয়ননা বোলিংগী হীরমদসু ফজবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইদুনা পাকিস্তানবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবগী সেরিজ অদুদা য়াম্না ফজবা রন ১০৫গী স্কোর তৌদুনা ফজখিবদগী ৱান দেগী রেঙ্কিং অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মিথালি রাজনা মকোক থোংলম্বা অদু মহাক্না শিনখিবনি।

ৱেষ্ট ইন্দিজকী কেপ্টেন ওইরিবী ষ্টাফানি টেলরনা নুপীগী বেটসমেনশিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রবা মতুং বোলরশিংগী ওইবা পরিংদসু থাক ৩ হাইগৎলগা ১৬শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি। লোয়ননা ওল রাউন্দরশিংগী মনুংদা থাক অনী হাইগৎলগা মমাংদা মকোক থোংদুনা লৈরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় এলিজ পেরিগী মহুৎ শিল্লগা মকোক ওইবা ঙমখি। টেলরনা নুপীগী ৱান দে ক্রিকেটকী ওইনা বেটসমেন অমদি ওল রাউন্দরগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা হৌজিক-হৌজিক নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরি।

আই সী সীগী লিষ্ট অদুদা ইন্দিয়াগী ঝুলন গোস্বামী বোলরশিংগী মনুংদা অদুগা দিপ্তি শর্ম্মানা ওল রাউন্দগী ৫শুবদা লৈমিন্নরি।

EMPLOYMENT NEWS
IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM
Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490
HL-B/6970/28/6-18/7

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 169

**Beck, Frederic (1438) - Shmirina, Yevheniya (1854)**
**DEM U12 Willingen (2), 2001.06.03**

| | |
|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d3 d5 |
| 3.Nd2 Nf6 | 4.g3 c5 |
| 5.Bg2 Be7 | 6.Ngf3 b5 |
| 7.O-O Bb7 | 8.Re1 dxe4 |
| 9.dxe4 Nxe4 | 10.Qe2 Nd6 |
| 11.Qe5 Nf5 | 12.Nb3 Qd5 |
| 13.Qe2 Nd4 | 14.Nbxd4 cxd4 |
| 15.Rd1 Nc6 | 16.Bf4 O-O |
| 17.Ne5 d3 | 18.Qe1 Qxg2+ |
| 19.Kxg2 Nxe5+ | 20.Kh3 Nf3 |
| 21.Qe3 g5 | 22.Be5 g4+ |
| 23.Kxg4 f5+ | 24.Kh5 Bc6 |
| 25.Bc3 Be8+ | 26.Kh6... |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 168 Ans. :**
39. Kxg5 h6+ 40.Kxh6 Rh1+ 41.Kg5 Rh5#
39. ...h6+ 40.Kxh6 Rh1+ 41.Kg5 Rh5#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com